## নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): নোংমৈপুং পুং মখোংদা লৈবা মনোহরময়ুম ব্রজমনি অমসুং এম উমাবনি অনিগী মচানুপী এম শয়াবু ফিসরিজ রিসোর্ছ মেনেজমেন্টকী সাইনি টষ্ঠ ওইনা খল্লকপগা ইষ্টর্ন ষ্টুডেন্টস ক্লব নোংমৈবুংনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

## ষ্টেট মেরিট স্কোলরসিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমসুং অন্দর গ্রেজুয়েটকী ফ্রেস মহৈরোই ১১০ অমসুং রিন্যুয়েল ষ্টেট মেরিট স্কোলরসিপ ২০১৭-১৮ পীনবা মহৈরোই ২০৯ খল্লে। খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা লাক্লিবা মার্চ ৩০ ফাওবগী মনুংদা প্রেসক্রাইব ফোরমেটদা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন মেনশিল্লগা পীখৎলক্কবা ডিরেক্টর ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এডুকেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এ আরনা টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): খুদেংথাবা চেক পোষ্টতা ১২ অসাম রাইফলসনা লুপা লাক্ষ ৯২ গী মমল ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১৮৪০০ থা অসিগী ২৩ দা ফারে হায়রি। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৫.৪৫ রোম চৎপদা অঙাংবা মচুগী মরুটি ভেন এম এন ০৪ এ ৫০৭২ অসি মোরে রোমদগী লাকপদা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা খামদুনা চেক তৌবদা গাড়ি অদুদা লোৎতুনা পুরম্বা টেব্লেটশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি অমসুং ৱাইখোম ইবেমহল (৪৪) মপুরোইবগী মমিংনা দল্লিয়ু মঙ্গি কৌবা থৌবাল ৱাংমা তাবা কোলেজ রোডতা লৈবী নুপী অসিসু ফাখিবগা লোয়ননা এন সি বি ইম্ফালদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## আর্মীনা ডিৱর্মিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): মঙা শুবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর রাইফলসনা শিন্দুনা স্নেহা বভন ওরফান এজ হোমদা লৈরিবা অঙাংশিংগী ডিৱর্মিং কেম্প পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিট অসিগী আর এম ও কেপ্টেন জস্বির সিংহ ধিলন্না অঙাংশিংদা ডিৱর্মিংগী হিদাকশিং পীজখি। হাইজিন অমসুং সেনিটেসনগী লেকচর অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অঙাং-শিংদা পোষ্টর য়েন্থোকখি লোয়ননা অফবা চিঞ্জাক চাবগী হৈনবি থমগদবনি হায়না পাওজেল পীখি হায়রি।

## ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): আই সি এ আর- কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দা চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী সাইহেনজাং ভিলেজদা হোর্টিকলচর বেজ আই এফ এস ফোর হায়র ইনকম এন্দ ন্যুত্রিস্নেল সেক্যুরিটি ফোর পোর এন্দ মার্জিনেল ফারর্মরস ওফ চুড়াচান্দপুর ট্রাইবেল সব প্লান্টগী মখাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী ফারর্মর ৩২ না শরুক য়াখি হায়রি।

## লৌমীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): আর কে ভি ৱাই অমসুং ডিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুর খা জিরি লোকল কাউন্সিলনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৩ দা খা জিরি কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ডা: এম প্রিয়োদত (প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক) অমসুং এন লক্ষ্মিচান্দ এক্স ডিপ্যুটি প্রোজেক্ট ডিরেক্টর এগ্রি টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সি উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টনা ৱা ঙাংখি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অমসু ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা চীংখৈ অমসুং টাইগর কেম্পতা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু নি এফ মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## দোক্তরশিংনা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): নেসনল মেদিকেল কম্মিসন বিলগী মায়োক্তা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন্না চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন (ইমা) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী দোক্তরশিংনা ঈং তপ্পা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

রেল্লি অদু লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইমাগী ওফিসতগী নেসনল সেক্রেটরি জেনরেল দা. আর এন তোনতোন্না লমথাখি। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ব্রাঞ্চকী মেম্বরশিং, রিমস অমসুং জেনিমসকী মেদিকেলগী দোক্তরশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু উরিপোক লম্বী লাক্তুনা নাগমপাল ফাওরবা তুংদা ইমাগী ওফিসতা অমুক হল্লকখি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চাওখৎহন্নবা অমসুং অশোয়বশিং ডেসামনা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী তুংলমচৎ লেপকদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি ভি সি অমদি ভি সিগা লোয়নবা মীওই খরনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরে হায়না ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না ফোংদোরক্লি।

ডেসামগী প্রসিডেন্ট সলাম অকাসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসি কন্দুনা খুন্নাই অসিবু কন্নবগীদমক এম য়ুদা ওজা ওইনা লৈরিবশিংনা ওজা ওইবগী মগুণ চপ চানা ঙাক্তুনা অরানবা তৌরিবশিংগী মথক্তা খোঙজং চঙশিনবা মতম ওইরে।

এম য়ুগী মপী-মপা ওইরিবসিনা মতম চানা ওফিস কাদ্রে হায়না মরাল শিরক্লি। মহাক্না ভি সি ওইবদগী হৌজিক ফাওবদা ওফিস কাবদগী মপালদা চৎপগী চাংনা নুমিৎ মশিং হেনবগা মান্নরে। মণিপুরদা লৈরবসু নুংথিল পুং ১ গী মমাংদা য়ুনিভর্সিটিদা লাক্তে হায়না মরাল শিরক্লি। চাং নাইনা ভি সিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা লাক্ত্রবনিনা য়ুনিভর্সিটি অসি একাদেমীক এতমোস্ফিয়রদা চাওনা অকায়বা পীরে। অদুনা ভি সিনা মতম চানা চাং নাইনা ওফিস কাদবদগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরিবা অমদি একাদেমীক এতমোস্ফিয়রদা চাওনা কায়হল্লিবসি কোকহন্নবা হয়েংদগী চাং নাইনা কাবীনবা ডেসামনা আপীল তৌরক্লি। আপীল অসিগী ওন্নবদা থবক তৌরক্লবদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরিবা ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা এফিলিয়েট তৌরিবা কোলেজশিংবু থওই উশিৎতবনি হায়না লৌগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিবু নুংশিরবদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈবীয়ু নত্রগা য়ুনিভর্সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রো হায়বা মহৈরোই অমদি ওজাশিংগী খোঙজং লাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়রি। এম য়ু অসি নুংশিরবদি ভি সিনা অফবা অচুম্বা খরদি তৌবিয়ু হায়না মখা তানা ফোংদোরক্লি। ভি সিগা নক্লবা ওজা ওইনা ঠিকা অমসুং পোলিটিক্স তৌবা পান্নিবশিং অদুগী ৱা লৌবীগনু। অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবিয়ু হায়না ফোংদোরক্লি।

এম য়ুগী হাংদুনা লৈরিবা প্রোফেসর, এসোসিয়েট প্রোফেসর, এসিটেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্ট ১১৫ লৌনবা মমাং চহিগী জুন ৭ দা এডভর্টিজমেন্ট তৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা স্ক্রিনিং তৌবা ঙমদনা লৈরে। স্ক্রিনিং তৌবা ঙমদ্রগা সেলেক্সন কম্মিটিনা করম্বা মতমদা পোষ্টশিং অসি লৌদুনা মেনশিনগদৌরিবনো হায়না হংলক্লি। মমাং চহিগী সেপ্টেম্বর ১ দা হায়রিবা পোষ্ট অসি লৌনবগী স্ক্রিনিং তৌনবগী ওর্দর অমা থোকখি। অদুবু স্ক্রিনিং গাইদ লাইনশিং অদুবু চৎনহন্দনা থম্লগা ওজা খরগী নক্লবা মীওইশিং খনবা য়ানবা ঙাই ঙাইহাক্কী ওইবা ড্রাফত গাইদ লাইননি হায়দুনা শেমদোক- শেমজিন তৌরে হায়না মরাল শিরক্লি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্টর, কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন, লাইব্রেরিয়ন, এম আই টিগী প্রিন্সিপালনচিংবা ওফিসর ১৮ লৌনবগী মমাং চহিগী অগষ্ট ৩ দা ওর্দর থোকখ্রগা হৌজিক ফাওবা পোষ্টশিং অসি মেনশিন্দনা লৈরি। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি ইন চার্জশিংনা এডমিনিষ্ট্রেসন তৌদুনা লৈবদগী মরাই চাইথরক্লি হায়না মরাল শিরক্লি। ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ভি সিনা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা লৈরে হায়রি। চহি শাংনা থবক তৌরক্লবা ওজা কয়া প্রমোসন কাবা য়ারসু মতম চানা ডি পি সি পাঙথোক্তবনা ওজা কয়া নিংবা কায়না লৈরি। থৌওং অসিনা ওজাশিংনা মথৌ পাঙথোকপদা হৈনিংবা ৱাৎলকপগী মরম অমা ওইবনা ভি সিনা তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়রি। শোয়রিবা পুম্নমক অসিগী রেস্পোন্সিবিলিটি ভি সিনি হায়না মরাল শিরকপগা লোয়ননা মথক্তা ফোংদোকখ্রিবা ৱাফমশিং অসি পরম চুম্না থবক্তা ওন্থোরক্লবা ৱাফমসু ফোংদোরক্লি।

# কোন্থৌজম লোকল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫: সি পি আই কোন্থৌজম লোকল কাউন্সিলগী ৫১ শুবা চহিগী কনফরেন্স ঙরাং কাংমোং ফার্মিং কো ওপরেটিবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কনফরেন্স অদুদা কোন্থৌজম এ সিদা ঈচাও, ঈকং অমদি থক্কবা ঈশিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা অসি কোক্লবা কুপ্পা খন্ন নৈনখ্রে। এ সি অসিদা ৱাটর রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈরবসু থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নে অমদি নোংজু থাগী মতমদা ঈচাও থোক্তুনা য়ুম কৈ কয়া ঈশিং থুল্লি। লোয়ননা লৌফম অমদি মনা-মশিং কয়া মাং তাকহল্লি। ঈচাও তোইনা থোকপনা লায়না-লাইচৎ কয়া শন্দোরকপসু থেংনরি। মরম অদুনা এ সি অসিগী মনিং লৈকাইদগী চেন্থরক্লিবা তুরেল মচাশিংদগী নোংজু থাদা ঈচেল কন্না চেন্থরক্লিবা অসি হন্থহন্নবা নিংথিনা রিজর্ব তৌদুনা থম্ন বা অমসুং ঈচাও থিংনবা লোয়ননা থক্ক বা অমসুং ঈকংগী মতমদা নিংথম মহৈ-মরোংশিং থাবদা খুদোংচানবা ৱাটর পোলিসি অমা শেম্বীয়ু হায়না তকশিনখি।

কনফরেন্স অদুদা ওক্রম ইবোতোম্বী অমসুং ইরোম কুপেরনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। এম দি লুৱাং অমদি এম কেশ্বরনা পোলিটিকেল অমসুং ওর্গনাইজেস্নেল রিপোর্ট পুথোক্তুনা খন্ন নৈনখি হায়রি। কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখিবা সি পি আইগী লুচিংবা এল সোতিনকুমারনা, লৈবাক অসিদা চথরিবা শেঞ্জাও পায়বগী সিষ্টেম অসিনা মশিং য়ামখ্রবা শেন্থোক লৈজদবা লাইরবা মীয়ামগী পুন্সিদা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লে হায়খি। সি পি আইনা মীয়াম্না অসিগুম্বা সিষ্টেম অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা তঙাইফদ্রে হায়নসু মখা তাখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কে ঐচ কুরচান্দ অমসুং থিয়াম মেঘচন্দ্রনসু কোন্থৌজম এ সিগী কাংমোংনচিংবা খুলশিং অসি জননেতা ইৱাবতকী লমজিং মখাদা মীয়ামগী য়াইফনবা, অওনবা খুন্নাইগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা লমদমনি। ঙসিগী মীরোলনসু অদুগুম্বা থৌদাং অদু মখা তানা লৌথবা তঙাইফদ্রে হায়না ফোংদোক্লখি।

এ সি ফাওদুনা চৎলিবা জিরিবাম নেসনল হায়ৱে অমসুং টিদ্দিম রোডকা শম্নরিবা টি সি রোড অসি মতমগা চুন্না ঈচাওনা শোক্লোইদবা মওংদা ৱাংখৎহন্দুনা দবল লেন ওইহন্নবা অমসুং এ সি অসিগী আই ভি রোডশিং পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা ক্বালিটি লৈনা কোইলাস থাবিনবা তকশিনখি হায়রি। কাংমোংগী কাংবা খুভমনচিংববু শেমগৎপীগনি হায়না ফোংদোরকপবুসু নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী টুরিষ্ট মেপ্তা হাপচিনবীনবা তকশিনখি হায়রি।

## অমুকোনা অৱাবা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): কুকি ইন পি মণিপুর (কিম) গী প্রসিডেন্ট ওইরম্বা কামলিয়ানখুক লিয়ানজোনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেস (অমুকো) না অৱাবা ফোংদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা কামলিয়ানখুক মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনজখিবা অমসুং লুচিংবা অমগী মতিক-ময়াই চেনবা মীশক অমনি। মহাক্না মনুং মতম চাদনা তাইবং পান থাদোকখিবদা অৱা চৈথেং খাংলিবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমসুং অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা পাম্বা মণিপুরী খুদিংগী অৱাবদা অমুকোসু শরুক য়াজরি হায়রি। শক্তম ঙাক্লবা খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিনবনা মহাক্না লৈখিদবগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপসি মহুৎ শিনবা ওইরসনু হায়রি।

## সিভিল সোসাইটিশিংগা খন্না-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫: কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিছোর্চস ইন্দ মণিপুরনা শিন্দুনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটিশিংগী মীওইশিংগা প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিছোর্চস ইন্দ মণিপুর হীরমসিদা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লব তা পোঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অরাম পামৈ, কো-কনভেনর, সিটিজেনস কন্সর্ন ফোর দান্স এন্দ দিভলপমেন্ট, য়ুমলেম্বম থোইবা কনভেনর মপিঠেল দাম দাউনষ্ট্রিম এফেক্টেট পীপলস, জিলয়াংরোং বৌদি ফুলিন্দ্রো কোনশাম, কনভেনর, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পামৈ তিনজেনলুং, কনভেনর কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিছোর্চস ইন মণিপুরনা ফোংদোক-খিবদা লমদম অসিদা মমীং লৈরবা ওল কম্পেনিস, এসিয়ন ওলফীল্ড, দি ওল ইন্দিয়া লিমিটেদ অমসুং জুবিলেন্ট ইনর্জিশিংনা তমেংলোং অমসুং মণিপুরগী অতোপ্পা মফমশিংদা মফম অদুগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইল সর্ভেস চথনরি। হৌজিক চথরিবা ট্রান্সএসিয়ন রেলৱেগী থবকশিংনা মণিপুরগী তুরোলশিংগী ঈশিংদা মোৎশিৎহল্লি। মীয়ামশিংগা মখা তানা তুরেলগী ঈশিং শিজিন্নবা ফংদে। লোয়ননা অদুদা সোলুসন ওইনা লমদম অসিদগী মপাল লমগী ইল কম্পেনিশিংনা থাওচিংথোক্লবা হোৎনরিবসি য়ানিংদে, উখ্রুল অমসুং চান্দেলদা ক্রোমিয়ম, লাইমষ্টোনগী মাইনিংগী কম্পেনি ৭ কা নবেম্বর ১৭দা এম ও য়ু সাইন তৌনখিবদু ককথৎ-কদবনি, য়ু এননা লাউথোক-খিবা রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপলস, ২০০৭ মণিপুরদা মপুং ফানা চৎনহনগদবনি। লমদম অসিদা ইন্দষ্ট্রিশিং, হাইড্রোপাৱর প্রোজেক্ট ময়াম পায়খৎপদগী মিলিটেরিগী ৱিং হেনগৎলক্লিবা অসি লেপ্পবা অফাস্পা, ১৯৫৮ লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবা ৱরেপশিং রিজোলুসন ওইনা লৌখি।

## প্রাইবেটাইজেসন-কম্মর্সিয়েলাইজেসনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লগনি: এ আই এস এফ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫: ওল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৪৩ শুবা ষ্টেট কনফরেন্স ঙসি এ আই এস এফকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এম জয় লুৱাং প্রসিডেন্ট মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচর ৱেলফিয়র এসোসিএসন অমদি লৌরেম্বম ভিবেকর এ আই এস এফ মণিপুরগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। এ আইএস এফ ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ রামেশ্বরনা তরাম্না ওকপা অমসুং নুংগী ৱারোল পীখি লোয়ননা প্রাইভেটাইজেসন অমসুং কম্মর্সিয়েলাইজেসন ওইবা এডুকেসন পোলিসিগী মায়োক্তা খোঙজং চথরসি হায়না তকশিনখি। কনফরেন্স অদুদা মণিপুরগী কোলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা গভর্ণমেন্টনা ইনফ্রাষ্টকচর মপুং ফাহন্দবনা অশোইবা কয়া লৈরে। মরম অদুনা মসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনসি হায়না তকশিনখি।

লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অমসুং ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎপা ওজাশিং থাবিরক্লবা, বিল্ডিংশিং শাবিনবা, অৱাৎপা কম্প্যুটর সেটশিং পীবিনবা লৈঙাক্তা তকশিনসি হায়নসু ফোংদোকখি। কনফরেন্স অদুদা ষ্টেট কাউন্সিল্লর ৩৩ খনখি অমসুং এপ্রিল অহানবা চয়োলদগী অনৌবা থৌ পুবশিং খন্নবা ৱারেপ লৌখি। মরক অসিদা কে ঐচ রামেশ্বরবু কনভেনর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## কনফরেন্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): খ্বায় নুংশেং শিন্থা লূপ্পা শিন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথরকপা 'নেসনেলিজম এন্দ স্পিরিচুয়েলিজম টু ওপন দি নোংপোক থোং' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স ঙসি হোটেল তম্ফাগী মিনি কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা কংলৈ চনুরা ১০০ রোম্না মপুগী মীংদা ৱাশকমীন্নদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। কনফরেন্স অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি নোংপোক থোং হাংনবগীদমক কংলৈ চনুরাশিংনা মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা নেসনেলিয়ম অমদি স্পিচ্যুয়েলিজমগী ইহুল খঙনা হীংমীন্নবদগীদমক লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী কেম্পেন চথবা হৌবা, কেম্পেন অসি চথনবগীদমক কংলৈ চনুরাগী ওইবা পানা ৫- কৌব্রু, থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন অমসুং খ্বাই পানা হায়না খাঙদোক্নি হায়না খ্বাই নুংশেং শিন্থা লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি তেম্সুবম লৈশেম্বা মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লাইরিক ফোংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): মালেম অইকোল খাবম লমখাইগী ইনাওবী হুইরেম্বনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'লাইবক থিবী নম্বুল তুরেল' কৌবা লাইরিক অমা ঙসি ওল এসেম্ব্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদগী হোলদা ফোংখ্রে।

লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী প্রসিডেন্ট থোইদিংজম তোম্বীনা চীফ গেষ্ট, মালাগী প্রসিডেন্ট কাংজম চাওবনা গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি মালেম অইকোলগী প্রসিডেন্ট ৱাইখোম মহেন্দ্র মঙাংনা প্রসিডেন্ট ওইখি হায়রি।

## বি এস এফনা ইলেক্সনদা মথৌ পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী ট্রুপশিং নাগালেন্দ এসেম্ব্লি এলেক্সনদা অশোই-অঙাম থোক্তনা ঈংনা-তপ্পা পাঙথোক্ল বা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌরি হায়না ডি আই জি এস ঐচ ক্যু বি এস এফ মণিপুরগী কম্মান্দেন্ট (ওপস) হিদাম সুবোলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। বি এস এফকী কম্পেনিশিং জুনেভুতো, কিফিরি, ফেক অমসুং কোহিমা ডিষ্ট্রিক্টনচিংবা নাগালেন্দগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদা থাজিন্দুনা মথৌ পাঙথোক্লি।

বি এই এফকী ট্রুপশিংনা এরিয়া ডোমিনেসন, পেট্রোল্লিং, মোবাইল ভেহিকল চেক পোষ্ট, নাকা, নাইট পেট্রোলিংনচিংবা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা থাজিন্দুনা মথৌ পাঙথোক্লি। মীখল ঈংনা তপ্পা পাঙথোক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপদগী ঙাকথোক্লবা অমসুং য়ু জিশিং অমদি ফত্তবা তৌবা মীওইশিংদগী ঙাকথোক্লবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি। মীখল মমাংদা ঈং-তপ্পা ফিভম থম্বগা লোয়ননা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা নিংথিনা ঙাক শেল্লি হায়রি। বি এস এফকী ট্রুপশিং পোল্লিং বুদশিংদা, ই ভি এমশিং অমসুং পোল্লিং ষ্টাফশিংগী সেক্যুরিটি ওইনা মীখল নুমিৎতা মথৌ পাঙথোক্কনি। বি এস এফনা মীখল মমাংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপদা মায়োক্ননবা মীৎ-না শিংনা লৈরি হায়রি।

## ক্ষেত্রিগাও লোকল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): নিফুমাপলশুবা ক্ষেত্রিগাও লোকল কনফরেন্স ঙসি অয়ুক তোপ খোঙনাংখোংদা লৈবা মোইরাংথেম অচৌবগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। কনফরেন্স অদুদা এম অমুচৌ, টি ঐচ বিজয়, য়াইমা অমসুং এম কদমবিনিনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

ডিলিগেট ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লোকল কনফরেন্স অদুদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ডা: এম নরা, ডিপ্যুটি সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এম লালা অমদি সি পি আইগী লুচিংবা এম ইবোহলনচিংবনা শরুক য়াখি। লোকল কাউন্সিল অদুগী থৌ পুনবা কাউন্সিল মেম্বর ২৯ অমসুং এগজিক্যুটিব মেম্বর ১৫ খনবগা লোয়ননা লোকল সেক্রেটরি ওইনা অঙোম পুনিল কুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা কে এস ঐস ভোগেন্দ্রো অমসুং ট্রেজরর ওইনা ঐচ পাকপীবু খনখ্রে হায়রি।

# 'দিষ্ট্রিক্ট কলচরেল সেন্টরশিং লৈহন্নবা মীৎয়েং চঙলি'

## ফিল্ম ইন্সটিট্যুটকী কোর্স ওগষ্টতগী হৌরগনি : কেশ্বরজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট কলচরেল সেন্টরশিং লৈহন্নবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙলি। ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী কোর্স চহীসিগী ওগষ্টতগী হৌনবা থৌরাং তৌরি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর এল কেশ্বরজিৎনা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) কমপ্লেক্স মোইরাংখোমদা পরিং নাইনা চথগদবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগা পাউমীশিংগা উনবগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর কেশ্বরজিৎনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিট কয়া লৈরি। য়ুনিটশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, ষ্টেট আর্কিওলোজি, মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি, মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি, ইম্ফাল আর্ট কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনচিংবা কয়াসু লৈরি।

দিষ্ট্রিক্ট কলচরেল সেন্টরশিং লৈহন্নবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙলি। মসিগীদমক ষ্টাফকী তঙাইফদবা লাক্কদবনা পোষ্ট ক্রিয়েট তৌখ্রে। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী কোর্স চহীসিগী ওগষ্টতগী হৌনবা থৌরাং তৌরি। ইন্সটিট্যুট অসিগীদমক দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী কোর্সশিং পায়খৎপা হৌনবা মীৎয়েং চঙলি। ইন্সটিট্যুট অসিগীদমক একাদেমিগী ষ্টাফ ১৭ অমদি নন-একাদেমিক ষ্টাফ ১২ হাপ্পবা ষ্টেট কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

মণিপুর কলচর পোলিসিসু কুমজা ২০১৬কী ওক্তোবরদা পুথোকখি। এদভাইজরি কম্মিটিনা ড্রাফট পোলিসি পুথোক্লবা মতুংদা ফাইনান্স অমদি লো দিপার্টমেন্টতা রিফর তৌখিবনি। কলচরেল পোলিসি অসি এপ্রুভেলগীদমক কেবিনেটতা পুথোক্কদৌরি। কেবিনেট এপ্রুভেল লাক্লবা মতুংদা গেজেট নোটিফিকেসননচিংবা থোক্কদবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থবক থৌরাং কয়াসু পায়খৎলে। কোর্সশিংসু হৌরে। ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনবীরি।

মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মনা শীন্দুনা কুমজা ২০১৭ কী জুলাইদা কলচরেল এপ্রিসিএসন কোর্স পাঙথোকখি। কোর্স অসি পাঙথোকপগী মপূং ওইবা মীৎয়েংদি নহাশিংদা মণিপুর কলচর অমসুং ট্রেদিসনগী ওইবা হীরম কয়াদা খঙহনবনি। ম্যুজিয়ম অসিদা মখল কয়াগী অরিবা পোৎলম কয়া থল্লি। লৈঙাক্কী লাইব্রেরি ১৩ রোম লৈ। মসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি ১৩, ব্রাঞ্চ লাইব্রেরি ১ অমদি ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালনি। কুমজা ১৯৭৪ দা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিশিং লিংখৎখি। চান্দেলগী ওইনদি কুমজা ১৯৭৬ তা হৌখি।

ষ্টেট আর্কিওলোজিগী মখাদা থবক থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। হিষ্টোরিকেল ওইবা মফম ৬২ সু প্রোটেক্টেদ মোন্যুমেন্ট ওইনা লাউথোকখ্রে। প্রোটেক্টেদ মোন্যুমেন্টশিং অসি য়েংশিনবগী থবক চৎখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা শুমাঙ লীলাগী কম্পিটিসনসু পাঙথোকই। হন্দক পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা লীলাগী লূপ অদুনা প্রাইজ লৌররোই হায়না খঙহল্লকপা লৈখি। কম্পিটিসন ওইনা পাঙথোক্লিবা অসি ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোকউ হায়রকপা খরা অমসু লৈ। তশেংবদি হান্না ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোক্লম্বা লৈখ্রে। কম্পিটিসন ওইনা পাঙথোকপনা ফগনি হায়না পাঙথোরকখিবনি। ষ্টেট কালা একাদেমিনা এৱার্দকীদমক অফবা আর্টিষ্ট খনগৎনবা হোৎনরকপা মতমদসু কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্তুনা খনবগী মীৎয়েংসু লৈরিবনি। অদুবু, হৌজিক লাক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা করি তৌগদগে হায়বদু খন্ন-নৈনরি হায়নসু ফোংদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টেট আর্কাইবসকী ওফিসলনা ফোংদোকখিবদা আর্কাইবসতা হৌজিক অরিবা পুয়া জেরোক্স কোপীদা ২৪১, ওরিজিনেল কোপীদা ২১৮ লোম লৈ। ফিনা য়োম্লগা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা থল্লি হায়নসু ফোংদোকখি।

## ইন্সপেক্টর ফূবদা চেন্নবশিং মীখলগী কেম্প্যেনদা ৱা ঙাঙবা নুপী য়াওরি : লোকেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা কঞ্জ্যুমরস এফ্যের্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সী এ এফ এন্দ পি দি)গী ইন্সপেক্টর ফূবদা চেন্নরিবা নুপীশিং অদুগী মনুংদা বি জে পিগী কেম্প্যেনদা অমদি প্লেটফোর্ম কয়াদা ৱা ঙাঙবা কয়া য়াওরি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম এল এ, এন লোকেননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা লৈবা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন লোকেনগী ওফিস কাদা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট অসি কুমজা ২০১৩ দগী চৎনবা হৌখিবনি। কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ২৫ দা মণিপুরদা চৎনবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৭ তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না নম্বোলগী এফ পি এস এজেন্ট কয়া খনবা লৈখি। তুংদা এজেন্টশিং ককথোক-ককশিনগী ওইবা ৱাফম কয়াসু লাকখি।

হন্দক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা সী এ এফ এন্দ পি দিগী ইন্সপেক্টর অমা ফূখিবগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা নুপীশিং অদুগী মনুংদা মমাঙদা বি জে পিগী কেম্প্যেন অমদি মীটিং কয়াদা প্লেটফোর্মদা ৱা ঙাঙবা কয়াসু য়াওরি হায়নসু ফোংদোকখি।

## সঙ্গিৎ সঙ্গম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী, ন্যু দিল্লি, নেসনল একাদেমী ওফ ম্যুজিক, ডান্স এন্দ ড্রামানা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ডিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং জৱাহরলাল নেহরু ডান্স একাদেমীগা পুন্না খুৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা হিন্দুষ্টানি অমদি কর্নাতিক ম্যুজিক্কী সঙ্গিৎ সঙ্গম ফেষ্টিভেল, পেলেস গেটতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

ফেষ্টিভেল অদু লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২৬ তগী ২৮ ফাওবা চথগনি অমসুং নুমিৎ খুদিংগী নুংথিলগী পুং ৫ তাবা মতমদগী হৌগনি হায়না জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নোংমাইজিং চীংগী মফম ১১ দা পোপী পাম্বী থারম্বশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়াম্থুৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা লোগী মায়োক্তা নোংমাইজিং চীংগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১ দা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়াম্থুৎতুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এস পি (এল ও) ৱংপম কসরনা লুচিংবা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেল, নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যের্স ওফ বোর্দর, ইম্ফাল ইষ্ট মেজিষ্ট্রেট য়াওবা টিম অদুন নোংমাইজিং চীংগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১ দা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থুৎতুনা মাঙহনখ্রে। পুন্না একর ৯০ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং অদু লুপা ক্রোর মাপল্লোমগী ওইগনি হায়রি।

HL-B/4517/26

